থন্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ঐখোয় নৌনা লাইরিক তম্লসি




কনানো হায়বদি কাউখরে - হোল্লিৰুদ ফিল্ম ষ্টাররা, ফুটবোল প্লেয়র অমরা - অমদি শোয়দনা ওইরনি। মানা হায়খিবা ৱাহায় অমা লৈ। ঙসিগী মতম অসিগী, হায়বদি ২১ শুবা চহীচাগী লাইরিক হৈবা মী হায়বসি কনাবু কৌগদগে হায়বসিগী মতাঙদনি। লাইরিক ইরম্বা লৌশিং নীংশিংবা ঙম্বা মী, য়ুনিভর্সিতিনা পীবা অৱাঙবা থাক্কী দিগ্রী পায়বা মী, লাইরিক্কী ৱা মরীক চূম্না মীঙোন্দা তাকপা ঙম্বা মী - মখোয়বু কৌই লাইরিক হৈবা মী - ৱাখল অসি মহাক্না য়াখিদে। মহাক্না হায় - কুনমাথোইশুবা চহীচাসিদি হান্না খঙখিবা লৌশিং কাউথোকপা (অন-লার্ন) অমদি অনৌবা লৌশিং তানশিনবা (রি-লার্ন), নৌনা তম্বা ঙম্বা মীশক অদু 'লাইরিক হৈবা মী' কৌই। মাগী প্রোপোজিসন অসি মীপুম তিংনা য়ানরবা ৱাহায়দি নত্তে হায়ববু খন্ননীংঙাই/খন্থনীংঙাই ওইবা ৱাফম অমদি য়াওরিবগুম তৌই। ঐবুসু ৱাখল খন্থহল্লি - ঐঙোন্দা লৈরিবা লৌশিংসি পুন্সিদা চন্ননীংঙাই লৈত্রবা, হৈরুবগী কান্নদে। ঐখোয়না লাইরিক তল্লিবা, লৌশিং পুক্কে শেল্লিবা, মীথোয় মীহেন ওইনবা হোৎনরিবা পুন্নমক - হিংলিবা পুন্সি অসিদা মওং অমা নৎত্রগা অমদা কান্নবা ফংনবনি। কান্নফম খঙদবা লৌশিংদুবু 'বিদ্যা লমশি' হায়দুনা অহলশিংনা মিংথোল্লম্মী।

ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ, ক্লাস তেন ফাওবদি তমদা য়াদবা হীরম মখল কয়ানি তম্লকখিবা স্কুলদা। গেট বৃটেনগী হিস্তরি, ইন্দিয়াগী অঙনবা মতম, ময়ায় চল্লকপা মতম অমদি অনৌবা মতমগী ইতিহাসকী ৱারী, জিওগ্রাফি (ভুগল) বু তমদবা য়াদবা সবজেক অমা ওইহল্লকখিবা, ইংলিস-হিন্দি-মীতৈলোন, এলিমেন্তরি সাইন্স অমদি মেথমেতিক্স ... নৌরিবা ঐখোয়গী কোকসিদা হানজিল্লকখি নম্ফুদা। ৱিল্লিয়ম পিট্টন বৃটেনগী খ্বাইদগী নহা ওইবা প্রাইম মিনিস্তরনি হায়না চীনফা পুহল্লকখিবদুগী কান্নবা ঙসি ফাওবদি খঙদরি। অৱাং ভারতকী তুরেলগা খা ভারতকী তুরেলগা চাংদম্নবই পারাদু অহীং কয়া পারকখি। নম্বুল তুরেল, ইম্ফাল তুরেলগী ৱারীদুদি তম্লকখিদে। সের সাহগী লৈঙাক্কা, অকবরগী লৈঙাক মওংগা চাংদম্নৌ - ক্লাস তেনগী হিস্তরি - পরিক্ষাদা য়াম্না হঙ্গনখিবা ৱাহংনি। চীংথঙখোম্বা নিংথৌরেল ভাগ্যচন্দ্রই ৱারীদি সিল্লেবসতা য়াওখিদে। মণিপুরগী চীংমী তম্মীগী মরীসি করম্না লাপথোরকখিবা? সোসল সাইন্সকী তঙায়ফদবা পারা অমত্তং য়াওরল্লদি ফদৌনি। কবিশিংনা ইরম্বা 'চীংনা কোয়না পনশাবা, চীংমীনা কোয়না পনঙাকপা' হায়বা ৱাহৈ পরেংদুদি ঐখোয়না তোয়না শৈরেং ওইনা থীরকই। শৈরেং অদু চীংমীশিংগী অশাওবীনি হায়বদি ঐখোয় কোন্না খঙলকই।

তিচিং (তন্বীবা) হায়বা প্রোফেসন অসি লৈরমদ্রবা - হিস্তরি, জিওগ্রাফি, মেথমেটিক্সনচিংবা সবজেকশিং অসি তম্লুবগী কান্নবা - পুন্সিসিদা করি লৈরমগনি? মোন্দ্রং শান্নরুঙৈ খল্লকপনি। ফিলোজোফি হায়বা সবজেক্তু তম্বা লাকপা মহৈরোয় মসীং ৱাৎলকপনা, স্কুল কোলেজশিংদগী তপ্না তপ্না লৌথোক্ল রক্লেদনা! হায়বদি, তম্নবা ছাত্র লৈত্রবনা তন্বীনবা ওজা লৈরক্লরোই। ফিলোজোফিগী লাইরিকশিং, ফিক্সনগী লাইরিক পাবগুম, পানীংবা কনানা নোংমফাদোক লৌখত্তুনা পানবা লাইরিক ওইরক্লে। মরমদি, ঙসিগী মীরোলনা খল্লি - ফিলোজোফিকল আইদিয়া হায়বসি ঙসিগী খুন্নাই অসিদা চন্নফম লৈতবা ৱাখল্লোন অমা ওইরক্লে।

ইন্দিয়াগী ইদ্যুকেসন পোলিসি মেকরশিংনা হায় ... 'ক্লাস তেন ফাওবগী মহৈরোয়শিংদা মখল-মথেল কয়াগী সবজেকশিং তমহন্দুনা লৌশিং পূক্কে হেনগৎহল্লিবা, মখোয়না মেচ্যুর ওইরক্লগা মশানা পামজবা হীরম খনজবা লায়নবনি ...' নোংচুপ অমদি নোংপোক্কী চাউখৎলবা লৈপাকশিংনা হায় ... 'তমগদবা সবজেক য়াম্মন্দুনা নৌরিবা অঙাংগী কোক্তুদা পুবা ৱারবা পোৎলুম অমা থাঙ্গৎলে, অঙাংদুগী তেলেন্ত খঙদোক্লগা অখন্নবা সবজেক খরদং তমহনগদবনি ...'

নোংমা কন্যাকুমারিদগী হল্লকপদা চেন্নাই ফাওবা জর্মনগী নুপী রাইতর অমগা ত্রেন মনুংদা লাকমীন্নখি। সাউথ ইন্দিয়াগী মরমদা লাইরিক অমা ইনবগী এসাইনমেন্ত অমা পল্লিসর অমনা পীবদগী হকথেঙননা থিজিনবা লাকপনি হায়। ৱাখল অনীদু কয়া থীনা খেন্নরমখ্রবা! ঐখোয়না চৎলুবনা সমুদ্রদগী নুমিৎ থোরক্লগা সমুদ্রদা অমুক তাখিবদু য়েংবা চৎলুবা। মহাক্কীনা মিসন অমা! মানা হায়রম্বনি - ইন্দিয়াগী ইদ্যুকেসন সিষ্টেম অসি অশোয়বনা থল্লি। ৱাহং অমসু হংলকখি ... মণিপুরগী জগোয় ঈশৈ য়াম্না য়ুনিক ওইবনি, দান্স-স্তদিজগীদমক্তা অখন্নবা সেন্তর হাংদোক্ত্রিবা করিগীনো? জে এন মণিপুর দান্স একাদেমি লৈ হায়বা খঙনা খঙনা হংলকখিবনি। জগোয়-ঈশৈ তৌবা মীবু হন্থনা য়েংবা লমসিদা কদায়দগী দান্স ষ্টদিজ? মতমদো মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা দান্স দিপার্তমেন্ত হাংদ্রিঙৈনি। ঙসি ঙরাং ওইরল্লদি পাউখুম খরসু লৈরমদৌনি। তৌববুদি, ঙসি ফাওবা মালেম সীন্না নৎত্রসু ইন্দিয়া সীন্না চাইথোকপা য়াবা মণিপুরী দান্স এন্দ ম্যুজিক্কী অখন্নবা লাইরিক অমত্তসু ইখিদ্রি ঈরমদমগী দান্স স্কোলার অমত্তনা - রাজকুমার সিংহজিৎ, দর্শনা ঝাবেরিনচিংবা খরনবুদি ইখ্রবরা?

অমবু ওইরে, অমবু ওইরে - পাউদমসিদা মরু ওইনা থমজনীংলুবদি নৌরিঙৈ মতমদগী ইন্দিয়ন মাইন্দ-সেত অদুদগী নান্থোকপা ঙমদা লাকখ্রবনা, দিল্লি-মুম্বাই-বেঙ্গলোর, হায়দরবাদ-চেন্নাই-চান্দিগর-ঐখোয়গী ইদ্যুকেসন দেস্তিনেসন ওইরকপসিগী নুংনাংবা অদুনি। চিনা-জাপান-কোরিয়া, হৌরকফম-হৈনবী-শক-চুয়েংলগা নকশিন্নফম থোকপদু শোক্ল-শম্নবা য়াদ্রবগুম উহল্লে। শান্ন-খোৎনবা অমদি জগোয় ঈশৈ-থিয়েতরদা মীথোয় মীহেন ওইগদবা ঐখোয়বু, শিনফম অসি বিদ্যা-লমশিনি খলহল্লে, মীতোকচাক্কুম উহল্লে। মরম অসি উবদনি - অহৌবদা পঞ্জখিবা ৱাহায় অসি নীংশিংলুরিবা। ঙরাং তমখিবা বিদ্যাদু ঙসি কাউথোকপা তম্লসি, নৌনা অমুক তম্লসি। লুহোংবদি ঙাইবা য়াই, ইদ্যুকেসনদি ঙাইবা য়াদে (মেরিয়েজেস কেন ৱেইত, ইদ্যুকেসন কেন্নোৎ) হায়বা ৱাহায়দুসু নীংশিংসি।

লৌশিং পুক্কে

# দিঐচএ অমসুং ঈপিএনা হকচাংদা পীবা কান্নবশিং



ঙাগী থাউদা য়াওবা ওমেগা- ৩ ফেট্টি এসিদনা হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পীবগী খুদম ফংলে। দোকোসাহেক্সানোইদ এসিদ (দি ঐচ এ) অমসুং ইকোসাপেন্টাইনোইক এসিদ (ঈ পি এ) মরাং কায়না য়াওবা ওমেগা-৩ ফিশ ওইলনা মহৈ-মশিন তল্লিবা অঙাংশিংদা লৌশিং হেগৎহল্লি হায়রি।

স্বিদেনদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ গোথেনবর্গকী সালগ্রেনস্কা একাদেমীদা মেটস জোন্সননা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, মহৈ মশিনদা পূক্নিং চঙবা ঙমদবা অঙাংশিংদা ফেট্টি এসিদ অসি পীজবা মতমদা য়াম্না চাউনা কান্নবা ফংবগী খুদম ফংলে। মশাগী চহী ৯ অমসুং ১০ শুরবা স্বিদেনগী স্কুল তল্লিবা অঙাং ১৫৪ দা চথখিবা ষ্টদি অমদা ৱাফম অসি খঙবা ঙমখিবনি। থা অহুম চুপ্না অঙাং খরদা ওমেগা-৩ অমসুং ওমেগা-৬ কী কেপস্যুল পীজবগা লোয়ননা অতোপ্পা অঙাং খরদা ইচম চম্বা (মওংদি চপ মান্নবা) পাম ওইলগী কেপস্যুল পীজরম্মী।

কাঙলুপ অনী অদু চাংদম্নদুনা য়েংবদা ওমেগা-৩ অমসুং ওমেগা-৬ কী কেপস্যুল চাবা অঙাংশিংনা পরা ফাগনবা অমসুং হৈথোই-শিংথোইবা হেল্লি হায়বা খঙলকখি।

'চাইল্ড সাইকোলোজি এন্দ সাইকিয়াট্রি' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টতা য়ুনিভর্সিটি ওফ গোথেনবর্গকী মেটস জোন্সননা হায়খি, ঙাগী থাউদা য়াওবা ওমেগা-৩ ফেট্টি এসিদ পীজবনা অঙাংশিংগী ৱাখল লৌশিং হেনগৎহল্লি হায়বা চপ চানা খঙবা ঙম্লে। পোলিঅ-ন্সেচুরেটেদ ফেট অমসুং মসিনা অঙাংশিংগী মহৈ-মশিন তম্বদা পীরিবা কান্নবশিং মমাঙদা থোইদোক্লা খঙনরমদে। অনৌবা মতমগী হোংলক্লিবা ঈচেলনা মরম ওইরগা মীয়াম্না চানরিবা চীঞ্জাক্তা ওমেগা-৩ গী চাং য়াম্না হন্থনা য়াওরি। মসিনা মরম ওইরগা অঙাংশিংগী মহৈ মশিন তম্বদা অকায়বা থোকহল্লি। ব্রেনগী সেল মেমব্রেনশিং পোলিঅন্সেচুরেটেদ ফেটনা শেম্বনি। মসিগীসু মথক্তা ব্রেনগী সিগনেলিং সিষ্টেম রেগ্যুলেট তৌবা অমসুং নর্ভ সেলশিংগী মরক্তা সিগনেল ট্রান্সমিট তৌবদা পোলিঅন্সেচুরেটেদ ফেটনা মরুওইবা থৌদাং লৌ। মরম অদুনা ঙাগী থাউদা য়াওবা ওমেগা-৩ না ব্রেনগী মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমহল্লিবনি।

অমরোমদা, অমেরিকান হার্ট এসোসিএসন (এ ঐচ এ) গী রিপোর্টনা হায়খি, সালমন, মেক্করেল, সার্দিন অমসুং টুনাগুম্বা অঈংবা ঈশিংদা লৈবা ঙাশিংদা ওমেগা-৩ মরাং কায়না য়াওই। মরম অদুনা চয়োল অমদা অনীরক হায়রিবা ঙা মখলশিং অসি চারবদি হার্টকী ফীভম ফনা থম্বা ঙম্মী। দোকোসাহেক্সাইনোইদ এসিদ (দি ঐচ এ) অমসুং ইকোসাপেন্টানোইক এসিদ (ঈ পি এ) মরাং কায়না য়াওবা ওমেগা-৩ ফেট্টি এসিদনা ব্লদ প্রেসর অমসুং ট্রাইগ্লাইসরাইদ হন্থহনবগা লোয়ননা ঈ উতোং ফুলহন্দে। হার্টকী মথৌ কায়হন্দবা মরম্না হার্ট এটেক অমসুং ষ্ট্রোক তৌহন্দে। হার্টকী লায়না নারবা মীওইশিংদসু খঙহৌদনা হার্ট এটেক তৌরগা শিবা য়াবগী রিস্ক হন্থহল্লি। কনাগুম্বনা সালমন, মেক্করেল, সার্দিন অমসুং টুনাগুম্বা ওমেগা-৩ য়াওবা ঙা চাবগী খুদোংচাবা ফংদ্রবদি গুলি ওইনা পুথোরকপা ওমেগা-৩ সপ্লিমেন্ট শীজিন্নবা য়াই।

য়ু এসকী নেসনল সেন্ট ফোর কমপ্লিমেন্টরি এন্দ ইন্টিগ্রেটিব হেল্ঠ (এন সী সী আই ঐচ) কী রিপোর্ট অমনা হায়খি, মরুওইবা ওমেগা-৩ ফেট্টি এসিদ অহুমদি অলফা-লিনোলেনিক এসিদ (এ এল এ), ইকোসাপেন্টাইনোইক এসিদ (ঈ পি এ) অসুং দোকোসাহেক্সানোইক এসিদ (দি ঐচ এ) নি।

চহী ৩০ গী মমাঙদা চথখিবা ষ্টদি অমদা এস্কিমোগী মীওইশিং অঈংবা সমুদ্রগী ঙা মরাং কায়না চাবা মরম্না হার্টকী লায়না নাবা থেংনখিদে। মতুং তারকপদা মখা তানা চথখিবা ইপিদমিও লোজিকেল ষ্টদিশিংদা চয়োল খুদিংগী অমুক্তং ওইরবসু সমুদ্রগী ঙা চাবা মীওইশিং হার্টকী লায়নানা মরম ওইরগা শিবগী চাং নেম্মী হায়বা খঙলকখি। মরম অদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০১০ দা ফোঙখিবা দাইটরি গাইদলাইন অমদা মীপুম খুদিংমক চয়োল অমগী মনুংদা সমুদ্রগী ঙা শোয়দনা চাগদবনি হায়রি। মসিগী মরুওইবা মরমদি সমুদ্রগী ঙাদা ওমেগা-৩ ফেট্টি এসিদ মরাং কায়না য়াওবননি।

কুমজা ২০১২ দা সাইন্টিষ্ট কাঙবু অনীনা চথখিবা ষ্টদিশিংদা ওমেগা-৩ ফেট্টি এসিদ য়াওবা চীঞ্জাক চাংনাইনা চাবা মীওইশিং হার্টকী লায়নানা মরম ওইরগা শিবগী চাং নেম্মী হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমখি। কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা অতোপ্পা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, ঙাগী থাউদা য়াওবা ওমেগা-৩ ফেট্টি এসিদনা র্যুমেটোইদ অরথ্রাইটিসকী লায়ওংশিং হন্থহনবা ঙম্মী। দিপ্রেসন, এটেন্সন দিফিসিট হাইপরএক্টিভিটি দিসওর্দর, ওটিজম, বাইপোলর, দিসওর্দর,, বোর্দরলাইন পর্সনেলিটি দিসওর্দর, সিজোফ্রেনিয়া, এলর্জি, অজমা, ক্রোন'স দিজিজ, সিষ্টিক ফাইব্রোসিস, দাইবেটিস, কিদনি দিজিজ, ল্যুপস, ওবেসিটি, মেন্সট্র্যুয়ল ক্রেম্প, ওষ্টিওপো-রোসিস অমদি অলসরেটিব কোলাইটিসনা নারবা মীওইশিংদসু কান্নবা ফংবগী খুদম থেংনরে।

ওমেগা-৩ ফেট্টি এসিদনা এদোলেসেট দিপ্রেসন, ওটিজম স্পেক্ট্রম দিসওর্দর, ব্রেন ইঞ্জুরি, ঐচ আই ভি ইনফেক্সননা থোকহল্লকপা খুদোংচাদবশিং মীরোল্লিঙৈ মনুং অমসুং অঙাং উনরবা মতুংদা মায়োক্লবা দিপ্রেসন, ইপিলিপসি, ওটোইম্যুন দিজিজ, অলঝিমর'স দিজিজ, দাইবেটিক কিদনি দিজিজ অমসুং সদন কার্দায়ক দেথকী মতাংদা করি কান্নবা পীবগে হায়বদু মমুৎ তানা খঙনবা নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ হেল্ঠনা শেল থাদরগা ষ্টদি কয়া চথরি।

# ঈচাওনা অৱাবা তারবশিংদা তেঙবাংখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস) : ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খোইদুমপাৎ অমদি কোমনাওদা লৈবা ঈশিংনা থুমজিনখ্রবা য়ুম কয়াগী অৱাবা তারবা খুঞ্জাশিংদা ককচিং বাজার ব্যুজিনেস ৱেলফেয়র এসোসিয়েসন্না চান-থক্লবা চেঙ, হৱাই, হঙ্গামথাউ অমদি কেন্দলনচিংবা তেঙবাংশিং পীখ্রে।

খোইদুমপাৎ অমদি কোমনাওদা লৈবা য়ুম কয়া হৌজিক ঈশিংনা থুমজিন্দুনা লৈরি। য়ুম কয়া ঈশিং থুমজিনখিদুনা মীওই কয়া অৱাবা মায়োক্লরি। অৱাবা মায়োক্লরিবা খুল অদুগী মীওইশিংদা ঙসি তেঙবাং পোৎলমশিং অদু খুৎশিন্নখিবনি।

ককচিং বাজার ব্যুজিনেস ৱেলফেয়র এসোসিয়েসনগী জেনরল সেক্রেটরিনা ফোঙদোরকপদা, এসোসিয়েসন অসিগী মায়কৈদগী ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা ঈচাও মায়োক্লরিবা খুলশিংদা মতেঙ পাঙনিংবগী ৱাখল্লোনদা তেঙবাংশিং অসি পীখিবনি। ঈচাওনা অৱাবা মায়োক্ল রিবশিং অসিগী অৱাবা অদু য়েংলগা চান-থক্লবগী মতেঙ খরদা ওইরবসু পাঙবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

তেঙবাং পোৎলমশিং অদু পীরকখিবদা লমদম অদোমগী মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোক্লরকখি। মণিপুর লৈঙাক্লসু পাঙবা য়াবা মতেঙ পাঙহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি। মণিপুরদা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা কা হেন্না নোং চুখিবনা মরম ওইদুনা তুরেল কয়া কায়বা অমদি ঈশিং পাথোরকপদগী মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্ল দুনা লাকখিবনি। মফম কয়াদা ঈশিং তুংশিন্দুনা লৈবদগী রিলিফ কেম্প কয়াদা লৈবসু য়াওনরি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# মাঙখিবা সিমেন্ত পুবা ট্রক ফাগৎপা ঙম্লে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস) : কাছারদগী ইস্লাম উদ্দিন বরভুয়ান (৪২) অপোকপা লৈখিদ্রবা কুতুব উদ্দিনগী টাটা ট্রক রেজিষ্ট্রেসন নম্বর এ এস ০১দিদি-৪৭৭৬ জিরিবাম পেত্রোল পম্প মনাক্তা খাল্লম্বদগী মাঙখ্রে হায়না জিরি পুলিসতা কমপ্লেন তৌরকপদগী জিরি পুলিসনা থিগৎতুনা গাড়ী অদু ফাগৎপা ঙম্লে হায়না ঙসি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস জিরিবাম এম মুবিনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এস পি এম মুবিনা হায়খি, থা অসিগী ১৮ দা কাছারদগী ইস্লামউদ্দিন কৌবা মীওই অসিগী টাটা ট্রক চান্দপুর জিরিবাম পেত্রোল পম্প মনাক্তা খাল্লম্বদগী মাঙখ্রে হায়না জিরি পুলিসতা কমপ্লেন অমা তৌরকখি। জিরি পুলিসনা এফ আই আর পান্দুনা গাড়ী অদুগী মরমদা থিজিনখি। থা অসিগী ২১ দা গাড়ী অদু মোইরাংগী মাইরেনবম লৈকাই মনাক্তা লৈরে হায়বা পাউ ফঙবদগী থা অসিগী ২২ দা মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী ও সী য়াওনা জিরিবাম পি এসকী এ এস আই কৃষ্ণ শর্ম্মা য়াওবা টিম অমনা লৌখৎলগা জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনদা পুরকখি।

গাড়ী হুরানবদা য়াওবা মীওই অনী অদুদি রাম নগর সিলচরদগী ফাদুনা জিরিবাম পুলিস কষ্টদিদা লৈরে। ফারবা মীওই অনী অদুদি এম দি মুস্তাফা অহমদ লাস্কর (৩২) অপোকপা অলতাফ উদ্দিন লাস্কর অলকপুর অমদি সঞ্জিৎ দাস (৩৫) অপোকপা সুনিল দাস কাসিবোন কাছারদগীনি। মুস্তাফা গাড়ী দ্রাইভরনি। জিরি পুলিসনা মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন তৌরবা মতুংদা মখোয় অনীনা ফোঙদোরকপদা, থা অসিগী ৮ দা জিরি দিবোংদগী টাটা ট্রক অদু সিমেন্ত লোদ তৌদুনা ইম্ফাল থোক্লবগী লৈরম্বনি। দ্রাইভরনা সঞ্জিৎ দাস টাটা ট্রক অদু ইম্ফালদা য়োন্নবা হায়নখি। মদুগী মতুংদা থা অসিগী ১০ দা ইম্ফাল থোক্তুনা ইম্ফাল এয়রপোর্ট মনাক্তা জেমস কৌবা মীওই অমবু সঞ্জিৎ দাসনা কন্টেক তৌদুনা এম দি মুস্তাফা অহমদনা টাটা ট্রক অদু জেমসতা য়োল্লম্বনি হায়না ফোঙদোকখি।

## চেঙ, হৱাই য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ : কিষান মোর্চা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. ক্ষেত্রিময়ুম কালানা হন্দক ঈচাওনা শোকহনখ্রবা পুরুম পাঙলতাবীগী মীওইশিংদা চেঙ, হৱাই, আলু, চিনি অমদি চা-মনানচিংবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়াম অমদি পুরুম পাঙলতাবী দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসনগী মীওইশিংনা ডা. কালাগী তৌবিমলবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# য়ুম ৩০০ লোম ঈশিং থুমখিবদগী খুঞ্জাশিং অৱাবা মায়োক্লরে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস) : হন্দক্কী ঈশিং ঈচাউ অদুনা মণিপুরগী খা মায়কৈদা লৈরিবা লোক্তাক খোংবানদা তারিবা মরু ওইনা কুম্বী ৱার্দ নম্বর ৪,৫,৬ অমসুং ৭ কী মনুংদা লৈবা য়ুম ৩০০ লোম ঈশিংনা থুমখিবদগী খুঞ্জাশিং অৱাবা মায়োক্লরে হায়রি।

মফম অদুগী খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকপদা, কুম্বীগী লোক্তাক খোংবানদা তারিবা কুম্বী ৱার্দ নম্বর ৪, ৫, ৬ অমসুং ৭ তা লৈবা য়ুমশিং ঈশিং থুমজিন্দুনা লৈরকপা ঙসিগা থানা নুমিৎ ১৫ নিরোম হেল্লে। খুঞ্জাশিং মনাক নকপদা হাংবা রিলিফ কেম্পশিং মরু ওইনা কুম্বী এটলাস প্রাইমারী স্কুল, কুম্বী থিঙেল লৈকায়, লৈবুং মখোঙ কম্যুনিটি হোল, কুম্বী ৱাপোকপী এল পি স্কুলনচিংবদা লৈরক্লি।

রিলিফ কেম্প অদুদা লৈরিবা মীওইশিং অদু লৈফম চাফম খঙদবা,থবক শূবা চৎকদবসু মফম খঙদবা, অঙাংশিংসু স্কুল চৎপা ঙমদ্রে। ঈশিংসু মনম নমথীরে হায়রি।

মফম অদুদা লৈরিবা লৌ পরি ৫০০, ঙাগী ফার্মশিং ঈশিংনা লাকহৎতুনা মাঙলে।

মরকসিদা হৌজিক ইথাই বারাজগী ঈশিংগী ঈমায় ৱাংখৎলক্লবসু গেট মঙা লৈবগী মনুংদা অহুমদগী হেন্না হাংদ্রি। ঈচাউনা শোকহল্লবা মফম অদুদা মেদিকেল কেম্প অমদি পাঙথোকখ্রে। মখা তানা পাঙথোক্লবা মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিল্লি। অনা-অয়েক কয়া য়াওরক্লে। পাৎকী এরিয়াশিংদি হৌজিক ঈশিংনা অয়াম্বা থুমজিনখ্রে। কুম্বী অৱাং হায় স্কুল ঈচাউনা মরম্না ওইদুনা থুমজিনখ্রে হায়রি।

কুম্বী অৱাং লৌবুক্তা লৈবা এস দি ও ওফিস হাংদবা থা ২ রোম শুরে। ওফিস অদুদা মীয়াম্না দোক্যুমেন্ট কয়া তান্নগদবা অমদি টেক্স থিগদবা অদু মোইরাংদা লৈবা এস দি ও ওফিসতা ওইনা চৎলগা থিরে হায়রি।

# সেমিনর পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস) : জেন্দর ইক্কেলিটি এন্দ সোসল দিভলপমেন্ট হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা সেমিনর অমা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না ৱাইরি পঞ্জাও পল্লুমদা লৈবা খা মণিপুর কোলেজ ককচিংগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ওর্গনাইজিং কম্মিটি, সেমিনর ওন জেন্দর ইক্কেলিটি এন্দ সোসল দিভলপমেন্ট খা মণিপুর কোলেজনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা সেমিনর অদু হৌদোকপা থৌরমদা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেয়রপর্সন মোইরাংথেম ইনাকখুনবীনা অথোয়বা মীথুং, খা মণিপুর কোলেজ ককচিংগী প্রিন্সিপাল ৱাই মঙ্গোলজাওনা থৌরম মপু, ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ভাইস চ্যেয়রপর্সন ময়াংলম্বম উমা অমসুং থৌবাল কোলেজগী প্রিন্সিপাল ওক্রম চাউবনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

সেমিনর অদুদা ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী হিষ্টরিগী লেকচরর ডা. এন প্রমোদিনি, খা মণিপুর কোলেজগী বোটানিগী এসিষ্টেন্ট প্রো. ঐচ চিত্রা, পোলিটিকেল সাইন্সকী এসিষ্টেন্ট প্রো. এন সত্যাবতি, ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লর পি সনাহল, কেমিষ্ট্রিগী এসিষ্টেন্ট প্রো. কেএসঐচ অনিতা, ফিজিক্সকী এসিষ্টেন্ট প্রো. এন মন্দাকিনি, এন্থ্রোপোলোজিগী এসোসিয়েট প্রো. কে ইঙোচা, বোটানিগী এসোসিয়েট প্রো. ডা. রোমা অমসুং এন্থ্রোপোলোজিগী এসিষ্টেন্ট প্রো. ডা. ধনেশ্বরীনা জেন্দর ইক্কেলিটি এন্দ সোসল দিভলপমেন্টকা মরী লৈননা ৱা ঙাংখি।

সেমিনর অদুদা খা মণিপুর কোলেজগী প্রিন্সিপাল ৱাই মঙ্গোলজাওনা মোদরেটর ওইখি।

# ওল্ড এজ হোমগী লম নীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস) : বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ৪১-নাচৌদা ওল্ড এজ হোম অমা শানবা মণিপুর গভর্নমেন্টকী খুত্থাংদা লম নীখ্রে হায়না সেনিয়র সিটিজন্স ফোর সোসাইটি বিষ্ণুপুরগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এন সনাবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি। চেরোল অদুনা হায়, ওল্ড এজ হোম অমা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নাচৌদা উরেপ উয়ুং তম্নবা থৌরাং লৈরে। অসিগুম্বা ওল্ড এজ হোম অসি শানবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্লা মফম অসিদা লম অমা পীবীয়ু। মরী লৈনবশিং অমদি মীয়াম্না অসিগুম্বা অহলশিংগী ওইবা ওল্ড এজ হোম অসি শাবদা মতেং পাঙবীয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

# অহানবা ওইনা মাও কৈথেল নুমীৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস) : মাও মার্কেট কোওর্দিনেটিং এসোসিএসন (এম এম সী এ) মাও-ইম্ফালনা শীন্দুনা খুয়োথোং পুখ্রি অচৌবগী মায়োক্লবদা লৈবা নাগামপাল নম্বুল মপান্দা ঙসি অহানবা মাও কৈথেল নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা মণিপুর লৈঙাক্কী পি দি এগী চ্যেরমেন টি রোবিন্দ্রোনা হায়খি, মাওগী মীয়াম্না ইম্ফাল তম্না লাক্তুনা লল্লোন-ইতিক তৌখিবা অসিনা লমদমসিদা খুন্দারিবা কাঙলূপশিংগী মরক্তা নুংশিনবগী মরী হেন্না চেৎশিনবা ঙমগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মখোয়গী কৈথেল অমা শানবা থৌরাং তৌবা লৈরে। মাও কৈথেল শানবগী ৱারেপ চহী অসিগী জুন ২০দা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েটতা ফমখিবা মীফম অমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অয়াবা পীখ্রে অমসুং চপ চাবা মফম অমদা কৈথেল শানবা খঙহনখ্রবনি।

কৈথেল অসিদা পার্কিংগী খুদোংচাবা নীংথিনা লৈহনগনি। তুংদা চয়েৎনবা লাক্তনবগীদমক মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা চপ চাবা মফম অমা য়েংশিনবা হৌরে। মাওদগী ইম্ফাল তম্না চৎলিবা নেসনল হায়ৱে-২গী ফীভম অসি পোৎচৈ পুথোক পুশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। অথুবা মতমদা লম্বী অসি শেমজিন্নবা লৈঙাক অসিনা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

কৈথেল অসি মতৌ করম্না অমদি করি মরমদগী থোরকখিবনো হায়বা ঐখোয় পুন্নমক্না খঙনরবনি। চহী লীশিং ২০০০গী মমাঙদগী লমদম অসিদা খুন্দারিবা চীংমী-তম্মী পুন্না লৈমিন্নরক্লবনি। ঐখোয় অমত্ত ওইনা হিংমিন্নরকই। অদুবু হৌখিবা মতম খরগী মমাঙদা মাওদা লৈরিবা ইচে-ইচলশিং নাগালেন্দগী কোনুং কোহিমাদা লল্লোন-ইতিক তৌবদা চয়েৎনবা লাকখি। নাগালেন্দদা খুন্দারিবা নাগা ইচিল-ইনাও খরনা মাওগী লল্লোন ইতিক তৌরিবা মীওইদা তাথি-তওইনা তৌরকপদগী ইম্ফালদা লৈরিবা সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন খরনা মাও কৈথেল লিংখৎখিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী স্পেসল গেষ্ট ওইখিবা পি ঐচ ঈ/প্রিন্টিং এন্দ ষ্টেসনরিজগী মিনিষ্টর এল দিখোনা হায়খি, মাওগী মীয়াম্বু নুংশিবীবসি কাওবা ঙম্লোই। চীফ মিনিষ্টরনসু মাও মীয়ামগী ওইবা তোঙানবা কৈথেল অমা শাগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে। হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনসু থবক অসি শৌগৎলি।

থৌরমদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবা মাও য়ুনিয়ন, ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট সনি অলেকজেন্দর মাওনা হায়খি, সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং মতেং পীদুনা তৌখিবশিং অদু থাগৎলি অমসুং য়াম্না নুংঙাই। নুংশিনবা হায়বসি য়াম্না ফৈ। ইম্ফালদা লৈরিবা ইচিল-ইনাওশিংনা ঐখোয়দা নুংশিবীরিবসি হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎলি।

থৌরম অদুদা মাও কাউন্সীলগী জেনরেল সেক্রেটরি অথিলি কায়িনা অমসুং ইপসা, মাও মার্কেট কোওর্দিনেটিং এসোসিএসনগী এদভাইজর ইবোতোম্বীসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। *লোং লিভ মাও মার্কেট, লোং লিভ হিল এন্দ ভেলি য়ুনিটি, লোং লিভ মণিপুর* হায়বা খোল্লাউসু থৌরমদুদা তিনখিবা মীয়াম পুন্না লাউখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা মাও কৈথেল লিংখৎপদা অচৌবা থৌদাং য়াখিবা সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজে-সনশিংগী থৌমীশিংদা খুদোলপোৎশিং পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

# চরা হেল্লম্বা হোম গার্দ পর্সনেল নুপী ৫ ফাজিনখ্রে, নুপা ৫ না অমুক চরা হেনবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়ীজ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী শিদ্রিফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চংশিল্লম্বী নুপী পর্সনেল ৫ পুলিসনা ফাজিনখ্রে। মখা তানা নুপা ৫ না অমুক চরা হেনবা হৌখ্রে।

ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতমদা চরা হেল্লম্বা হোম গার্দ পর্সনেল নুপী মঙাগী মনুংদা হাওবম মরক চীংথাম লৈকায়দগী এম চন্দ্রকালা (৩৮) গী মশা শোকচিল্লকপা অমদি বি পি লো ওইরকপদগী পুলিসনা চরা হেনফমদগী লৌখৎলগা জেনিমস হোস্পিটালদা লায়কন্ননবা থমখি। মতুংদা মহাক নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ লোম তাবদা মশা খরা কনখৎলকপদগী চরা হেনফমদা অমুক লাকখি।

ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তাবদা মখোয় মঙাগী মনুংদা চন্দ্রকালা থম্লম্লগা নুপী পর্সনেল মরি অদু হকচাংগী ফীভম শোকচিল্লকপদগী লম্ফেল পুলিসনা লৌখৎলগা পোরোম্পাৎকী জেনিমস হোস্পিটালদা লায়কন্ননবা থমখি। মখোয়শিং অদুদি ক্বাকৈথেল ময়ায় কোইবীদগী এস লতা (৫০), কোংপাল কোংখাম ময়ায় লৈকায়দগী এ সুনিতা (৪৫), তখেল অৱাং লৈকায়দগী এল সুরবালা (৩৪) অমদি থাংমৈবন্দ হিজম লৈকায়দগী এ শান্তিবালা (৪৫) নি।

ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০ লোম তাবদা চন্দ্রকালাসু হকচাংগী ফীভম শোকচিল্লকপদগী পুলিসনা লৌখৎলগা জেনিমস হোস্পিটালদা লায়কন্ননবা পুরকখি। পুলিসনা হোম গার্দ পর্সনেলশিং অদু চরা হেনফমদগী লৌখৎপা লাকপদা হোম গার্দ পর্সনেলশিং অদু ঙাক শেল্লিবা হোম গার্দ পর্সনেলশিং অমদি পুলিসকগী মরক্তা খরা মুক্লবা থোকখি হায়রি।

মরকসিদা ঙসি অয়ুক পুং ৯ লোম তাবদা হোম গার্দ পর্সনেল নুপা ৫ না অমুক অহুমশুবা ফেজগী শিদ্রিফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চথবা হৌখ্রে।

মখোয়শিং অদুদি শঙ্গাইয়ুম্ফম থৌবালদগী এম দি ফাকিরজু রহমন, তুলিহল ময়ায় লৈকায়দগী এম দি অবো হুসেইন, শঙ্গাইয়ুম্ফম থৌবালদগী এম দি অজাদ খান, খুল অসিমক্তদগী এম দি অবোয়াই অমদি শঙ্গাইয়ুম্ফমদগী এম দি নিজামুদ্দিননি। চরা হেনফম অদুদা ঙাক শেল্লিবা হোম গার্দ পর্সনেল অমনা ফোঙদোরকপদা মণিপুর লৈঙাক্লা হোম গার্দ পর্সনেলশিংগী থাগী তলব অসি মতমগা চূনবা মওংদা পীবিনবা কয়া তকশিল্লবসু লৈঙাক্লা থৌশাবীদবদগী ঙসি ফাওবা অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লৈরি। লৈবাক অসিগী সুপ্রিম কোর্ট অমদি হায় কোর্ট অনীনা হোম গার্দ পর্সনেলশিংগী তলব অসি পুলিস কন্সটেবেল অমনা ফংলিবা তলব অদুগা মান্ননা ফংহল্লু হায়বনি। দিমান্দ অসি ফংদ্রিবা খোঙজং চথখিগনি হায়খি।